# বেঙ্গালুরু এফ সিনা আইজোল এফ সিবু মায়থীবা পীদুনা লীগকী অনীশুবা মফম কনখ্রে



বেঙ্গালুরু, মার্চ ০১ঃ

হৌখিবা জন্যুৱারি ৯ দগী টিম মাপন্না শরুক য়াদুনা চথরিবা আই-লীগ ২০১৬ গী নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা বেঙ্গালুরু এফ সিনা আইজোল এফ সিবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

মফম অসিগী শ্রীকান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা বেঙ্গালুরুগী সি কে ভিনিথনা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা আইজোল এফ সিগী মায়কৈদা গোল অমা চনশিন্দুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা লীগকী টেবলদা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখি। বেঙ্গালুরু এফ সিনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ তরুক মায় পাকপা অমদি মেচ অহুম্না মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ১৮ ফংবা ঙমখি। মোহুন বগানননা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ তরুক মায় পাকপা অমদি মেচ অহুম্না দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২১ ফংদুনা লীগ অসিগী টেবলগী মকোক্তা লৈখি। আইজোল এফ সিনা মেচ মাপন শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকপা, মেচ অনী দ্রো চৎপা অমদি মেচ মঙানা মায়থীদুনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা লীগকী নিপানশুবা পোজিসনদা লৈখি। লীগ অসিদা সলগাওকর এফ সিনা মেচ ৯ শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাকপা, মেচ অনী দ্রো চৎপা অমদি মেচ তরুক্না মায়থীদুনা পোইন্ট ৫ খক্তমক ফংদুনা লীগ টেবলগী খ্বাইগী মনিং মাপনশুবা মফমদা লৈখি।

মেচ অদুদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা অমুক হন্না হল্লক্তুনা মেচ কুমখ্রবসু থোইদোকপা শিংথানিংঙাই ওইবা পাফোর্মেন্স উৎপদি ঙমখিদে। আইজোল এফ সিসু মমাঙদা শান্নখিবা টেম্পো অদু য়ৌনা শান্নরকপা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক আইজোল এফ সিনা মায়োক্নখিবা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং অলফ্রেদ জর্য়ননা ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। মেচ অদুগী মিনিট ২০ চৎপা মতমদা আইজোলগী লালমুনকিমানা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা অমা ফংখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে। আইজোলনা গোল চন্নবগীদমক লালবয়ক থাঙ্গা, লালরিন থুয়না অমদি কিমানা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদা দেঞ্জরস ওইবা প্লেশিং শান্নখ্রবসু টিমগীদমক কান্নবা ফংবা ঙমখিদে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদি টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌখিবা ইকুই কুইদনা বেঙ্গালুরু এফ সিনা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক অমদা ফ্রী কিক অমা ফংবা ঙমখি। মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা কাওরকখিবা ফ্রী কিক অদুবু ভিনিথনা চোংখৎলগা আইজোল এফ সিগী নেট মনুং হেদিং তৌশিনখিদুনা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ভিনিথন চনখিবা গোল অদুনা লীগ অসিদা মহাক্কী মরিশুবা গোল ওইখি। ভিনিথনা মখা তানা মেচকী মিনিট ৫৫ চৎপা মতমদা শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অমা আইজোল এফ সিগী গোলপোষ্টকী মথক লাননা চৎখিদুনা গোল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবদু মাঙখি। অমুকসু হন্না ভিনিথনা মেচকী মিনিট ৬৭ চৎপা মতমদা রিনো এন্টেনানা খায়দোরকখিবা বোল অমা মহাক্না চোংশিন্দুনা হেদিং তৌশিনখিবদা মপা চাদনা খজিক্তুদা লোইখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

আইজোল এফ সিসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদা হনবা লৈতনা চঙশিনখি। মখোয়গী এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৮৮ চৎপা মতমদা অলফ্রেন্দ জর্য়ননা য়াম্না নকপা মফমদগী বেঙ্গালুরু এফ সিগী গোলপোষ্ট তম্না কাওশিনখিবা বোল অমা বেঙ্গালুরুগী কষ্টোদিয়ন অমরিন্দর সিংহনা নিংথিনা সেভ তৌখিদুনা গোলগী আশা মাঙখি।

# ফিফাবু অনৌবা প্রসিদেন্টনা শেমদোক-শাদোক্নবা পোরম-পোমিৎ য়াৎপা হৌরবা য়াই

কুৱেট, মার্চ ০১ঃ

মালেমগী ফুটবোলগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী নৌনা ৯ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবা জিয়ানি ইনফান্টিনোনা ফিফাবু নৌহৌননা শেমদোকপা হায়বসি ঙসি হয়েংগী থবক নত্তে। মসিদা শাংলবা মতম অমা লৌবা তঙাইফদে হায়না এসিয়া ওলেম্পিক্কী চীফ সৈখ অহমদ অল ফহাদ অল সবাহনা ফোঙদোকখ্রে।

অল সবাহগী য়াম্না নক্নবা মীওই অমা ওইরিবা এসিয়ন ফুটবোলগী চীফ সৈখ সলমান বিন ইব্রোহিম অল খালিফা য়াওনা মীরেপ মঙাবু মায়থিবা পীরমদুনা স্বিটজরলেন্দগী জিয়ানি ইনফান্টিনোনা ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইখিবনি।

অল সবাহনা হায়খি, ফিফা রিফোর্ম কন্মিটিনা পীখৎখিবা ৱাফমপশিং ফিফা কোংগ্রেসনা অয়াবা পীখিবা অদুনা ফিফা মনুংদা চাউনা শেমদোক শাদোক্নবগী মথৌ তারিবদু ময়েক শেংনা উৎলে। ফিফা রিফোর্ম কন্মিটিগী মেম্বর অমা ওইনা ঐগী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবা অদুগীদমক হায়নিংঙাই লৈতনা অপেনবা পোকই। অদুবু ঐখোয়না চৎকদবা লম্বী য়াম্না শাংলি। ঙসি হয়েং অসিদা হেক্তা শেমদোকপা ঙল্লোই।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, জিয়ানি ইনফান্টিনোগী অনৌবা লীচিং মখাদা ঐখোয়না মালেমগী ফুটবোলবু অনৌবা মায়ওন অমা পুরকপা ঙমগনি হায়না থাজে। তুংদা লাক্কবদশিংনা অফবা মায়কৈদা লাক্তুনা মশান্না অসিগী অনৌবা ইরাদা তীল্লরবদু ঐনা খৌরাংনা ঙাইরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ১৯৯৮দগী ইন্টর্নেসনল ফেদরেসন ওফ এসোসিএসন ফুটবোল (ফিফা) গী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লাকখ্রবা সেপ ব্লাটরবু শেঞ্জা-থুমজাগী মরালদা অথিংবা থমখিবদগী মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা মীখল পাঙথোক্তুনা জিয়ানি ইনফান্টিনোবু প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি। মীখল অদুদা বাহরেইনগী রোয়ল সৈখ সলমান বিন ইব্রাহিম খালিফা, জোর্দানগী প্রিন্স বিন অল হুসেন, ফ্রঞ্চকী জেরোম চেম্পেন, হান্নগী ফিফাগী দিপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা সাউথ কোরিয়াগী ব্যুজিনেসমেন অমদি সাউথ কোরিয়াগী গভর্ণমেন্টতা য়াওরিবা টোকয়ো সেক্সৱেলনা মীরেপশিং ওইখিবনি। অদুবু টোকয়ো মেক্সৱেলদি ভোট থাদনগদবা মীকুপ খরগী মমাঙদা মহাক্কী মীরেপ ওইবদগী তোকখিবনি।

মশাগী চহী ৪৫ শুবরা স্বিস-ইটালিয়ন জিয়ানি ইনফান্টিনোনা ফিফাগী লৈরিবা মেম্বর ২০৭ না অনীশুবা রাউন্দদা থাদনখিবা ভোটতা মশিং ১১৫ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইখিবা এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট সৈখ সলমান বিন ইব্রাহিম অল খালিফাদগী ভোট মশিং ২৮ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি। অল খালিফানা ভোট মশিং ৮৮ ফংখিবনি।




# ওষ্ট্রেলিয়ানা অহানবা ওইনা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী টাইটল লৌনবা অকনবা মীৎয়েং থম্লি

মেলবোর্ন, মার্চ ০১ঃ ইন্দিয়ান য়ুম্বু ওইদুনা মার্চ ৮ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ গী টাইটল লৌবা হায়বসি ঐখোয়গী লেঙদ্রবা পান্দমনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টিভ স্মিথনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, ওষ্ট্রেলিয়ানা হৌজিক ফাওবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ গী টাইটল লৌবা ঙমদনা লাল্লিবনি।

ষ্টিভ স্মিথনা হায়খি, ঐখোয়না হৌজক ফাওবা লৌবা ঙমদনা লৈরিবা অসি আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ গী ট্রোফিখক্তমক ঙাইরে। ট্রোফি অসি লৌবা হায়বসিনা ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। লাল্লিবা মার্চ ৮ দগী ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ দা ইনিদয়াগুল্লবা মপাঙ্গল কল্লবা টিম অমবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা হায়বসি তরাইবা অমদি নত্তে। অদুমক ওইদুনসু ওষ্ট্রেলিয়ানা কপ অসিগী টাইটল লৌনবগী থৌনা অদু লৈতবদি নত্তে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়াদা চৎকদৌরিবা টুর অসি অরাইবা হায়বদুদি ওইরোই। অদুমকপু টুর্নামেন্ট অসিদা অনৌবা মায়ওন অমা পুরকপা ঙম্বা টিম হায়রগদি ওষ্ট্রেলিয়ানা ওইগনি হায়না ঐনা থাজে হায়না ফোঙদোকখি।



ওষ্ট্রেলিয়ন টিমনা ওভর ৫০ গী মশান্নদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্স ওইবদা নত্তনা হন্দক্তা আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংদা ইনিদয়াবু ইন্থুরম্লগা মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি। মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ দা ওষ্ট্রেলিয়ানা টাইটল লৌবা ঙম্লবদি ক্রিকেটকী লৈরিবা অশাংবা মঅদি অতেনবা ফোর্মেট খুদিংমক্তা লুচিংবা ঙম্বা লৈবাক ওইগদৌরিবনি।

লাল্লিবা ৱর্ল্ড কপ টি ২০ গী মেচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা মেচতা ন্যুজিলেন্দগী মায়োক্তা মার্চ ১৮ দা ধর্ম্মসলাদা শান্নগনি। মার্চ ৮ দগী এপ্রিল ৩ ফাওবা চথগদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ অসিগীদমক শেম শাবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ানা সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা টি ২০ সেরিজ অমসু শান্নগদৌরি।

মমাঙ থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা টি ২০ সেরিজ অদুদা ইন্দিয়ানা মখোয়বু মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অদু ৩-০ দা লৌখিবনি। মসিদা নত্তনা শ্রীলঙ্কান টিমসু ইন্দিয়ানা মায়থীবা পীখিবনি। ধোনি এন্দ কোবু হোম সোইলদা মায়থীবা পীবা হায়বসি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা অরুবা অমা ওইগনি হায়বসি মীয়াম্না লৌনরিবনি।

# পাকিষ্টাননা য়ু এ ঈবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে



মিরপুর, মার্চ ০১ঃ

বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা মসিগী মিরপুরগী শের-ঈ-বংলা নেসনল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা এসিয়ন কপ ২০১৬ কী নিংথৌকাবা নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা পাকিষ্টাননা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ) বু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

কপ অসিগী পাঙথোকখিবা মরিশুবা মেচতা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু পীখিবনি।

এসিয়া কপ অসিগী তরুকশুবা মেচ ওইনা পাকিষ্টান অমদি য়ু এ ঈনা শান্নখিবদা টোস ঙমখিবা য়ু এ ঈনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। য়ু এ ঈনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৯ খক্তমক লৌদুনা পাকিষ্টানগীদমক টার্গেট রন ১৩০ পীরমখি। পাকিষ্টাননা অনীশুবা ইন্নিংসতা মখোয়গী টার্গেট রন তান্নদুনা শান্নখিবদা ওভর ১৮.৪ দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৩১ লৌদুনা য়ু এ ঈবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

পাকিষ্টানগী ইন্নিংস অদুদা উমর অকমাল (নোট আউট) না রন ৫০ অমদি সোআইব মালিক (নোট আউট) না রন ৬৩ লৌদুনা টিমবু মায় পাক্নবগী লম্বীদা চাউনা মতেং পাংখি। মখোয়গী বোল্লর মোহমদ অমিরনা ৱিকেট ২ অমদি মোহমদ সমিরনা ৱিকেট ১ লৌদুনা টিমগীদমক মতেং ওইখি।

## বংলাদেশনা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌগদৌরি

মিরপুর, মার্চ ০১ ঃ

বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা মফম অসিগী শের-ঈ-বংলা নেসনল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা এসিয়া কপ ২০১৬ কী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদবা মেচতা য়ূম্বু বংলাদেশনা পাকিষ্টানগী ময়োক্তা অকনবা লম্বা তৌগদৌরি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী রাউন্দ রোবিন লীগ মেচকী ইনকাউন্টর অসিদা য়ূম্বুগী মরু ওইবা বোলর অমা ওইরিবা মুষ্টাফিজু রহমননা য়াওদ্রগসু পাকিষ্টানগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা মায়থীবা পীননবা শেম শাবা হৌখ্রে।

মেচ অসি টিম অনীমক্কী মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ ওইরি। হায়রিবা মেচ অসিদা মায়থীহৌবা টিম অদুনা কপ অসিদগী মপান থোকখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

বংলাদেশনা হৌখিবা ও দি আইগী মেচশিংদা ফীভম খরা ফগৎনা লৈখ্রবসু অতেনবা ফোর্মেটতদি অদুক হাক্না পার্ফোমেন্স ফবা ওইদ্রি। মশারফ মোটাজা অমদি মহাক্কী মীওইশিংনা অতেনবা ফোর্মেটতা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদে হায়না হায়নরবসু মখোয়গী তৌবা ঙম্বা থৌনা উৎথোক্তুনা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা চঙশিন্নবা শেম শাবা খুমাঙ চাউনা চঙশিল্লি।

শোকপদগী মেচ অসিদা য়াওররোইদবা মুষ্টাফিজুরগী মহুত্তা মশক থোকপা বোলর অমা থাদোক্নবা অকনবা মওংদা য়েংশিনবসু হৌখ্রে।

# ইন্দিয়াগী নুপা টিম লৈহৌরে, নুপী টিম মরিশুবা রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে

জয়পুর, মার্চ ০১ঃ

ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না মফম অসিদা চথরিবা ৱর্ল্ড টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী টিম ইভেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচকী গ্রুপ এফকী অহুমশুবা রাউন্দদা নাইজেরিয়াগী মখূৎতা ০-৩ দা মায়থীখিবগা লোয়ননা মখোয়গী নুপী কাউন্টরপার্টনা পোর্টুগলবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

থংনা থংননা অনীরক মায় পাকখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অচন্তা শারাথ কমলনা লুচিংবা নুপা টিম্না শিংথাবা য়াবা পার্ফোমেন্স খরা পীরক্দ্রা হায়না থাজবা লৈনরুরবসু রেঙ্ক ৱাংনা লৈরিবা নাইজেরিয়ননা হেন্না ফজনা শান্নরক্তুনা ইন্দিয়াবু নমহৎখি।

সৌময়াজিট ঘোসনা ওপনিং মেচতা অরুনা ক্বাদ্রিগী মখূৎতা ৫-১১, ৪-১১, ৩-১১ দা য়াম্না লায়না মায়থীহৌখি। অদুবু শারাথনা সেগুন টোরিওলাগা শান্নখিবা মেচতা নিংথিনা শান্নরকখ্রবসু ওপোনেন্ট নাইজেরিয়নগী মখূৎতা ১৩-১৫, ৩-১১, ১৩-১১, ৫-১১ দা মায়থীহৌখি।

রব্বর অনীদা মায়থীহৌরবা ইনিদয়ানা মখা তানা ফগৎনা শান্নবা ঙমখিদে। এন্থোনি অমালরাজনা মেচকী অহৌবদা ফজনা শান্নরকখ্রবসু অরোইবদা ওপোনেন্টকী মখূৎতা ১৩-১১, ৮-১১, ৯-১১, ৮-১১ দা মায়থীখি।

নুপাগী স্কাদনা মখোয়গী গ্রুপ্তা মেচ অনী শান্নগদবা ৱাৎলি। মেচশিং অদু স্বিটজরলেন্দ অমদি স্লোভাক রিপব্লিক্কা শান্নগনি। মখোয়না হয়েং স্বিটজরলেন্দগা শান্নগনি অমদি করিগুম্বা লেমহৌরিবা রব্বর অনী অদু মায় পাকপা ঙম্লবদি মখোয়না মেইন দ্রোদা চঙনবগী মঙলান মঙফাওনবা ঙমগনি।

অদুবু ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না পোর্টুগালবু থার্দ রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী মনিকা বত্রানা লৈলা ওলিভেরিরাবু ১১-৫, ৭-১১, ১১-৮, ৯-১১, ১১-৯ দা অহানবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। মৌমা দাসনা ঙরাং নীংবা কায়না মায়থীহৌখ্রবসু ঙসিগী মেচতা কাটিয়া সান্টিসপু ষ্ট্রেট গেমদা ১১-৫, ১১-৯, ১১-৬ তা মায়থীবা পীখি।

কে শামিনিনা মহাক্কী অফবা পার্ফোমেন্স পীদুনা পাট্রিসিয়া মাসিইলবু ১১-১, ১১-৪, ১১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না মথংগী মেচতা নাইজেরিয়াগা শান্নগনি। মখোয়না মখোয়গী গ্রুপ জিগী মেচতা ক্রোসিয়াগসু মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনগনি।




# কারলা সুরেজ নভারোনা তরুকশুবা মফমদা লৈখ্রে, দোমিনিক থিয়েমনা তরামরিশুবা মফম কনখ্রে



পেরিস, মার্চ ০১ঃ

কারলা সুরেজ নভারোনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা দোহা টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদুনা দব্লিয়ু টি এগী নৌনা থোকখিবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা তরুকশুবা মফমদা লৈখ্রে।

স্পানিয়ার্দ অসিনা মফম মঙা কাখৎলগা দব্লিয়ু টি এগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী তরুকশুবা মফমদা লৈখিবা অসিনা মারিয়া শারাপোভাদগী রেঙ্ক অমা হায়গৎনা লৈবা ঙমখি। শারাপোভানা মফম অমা কুমথরগা তরেৎশুবা মফমদা লৈখি। সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা রেঙ্কিংগী টোপ্তা অদুমক লৈরি।

মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা হৌখিবা টুর্নামেন্ট অনী শরুক য়াবা ঙমখিদবা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ৱিন্নর এঞ্জেলিক কার্বরগী মমাঙ থানা টোপ স্পোটতা অদুমক লৈরি।

স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা মফম অমা কাখৎলগা মরিশুবদা লৈখ্রে। নুপাগী রেঙ্কিংদা দোমিনিক থিয়েমনা এ টি পি ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ১৪ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। মহাক্না একাপুরগোদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবদগী মহাক্কী রেঙ্কিং হায়গৎলকখিবনি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা ওষ্ট্রিয়ন অসিনা ফেব্রুৱারিগী তঙ্খায় চনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ব্যুনিওস এয়রস ওপনগী টাইটল লৌখিবদা নত্তনা হৌখিবা নোংমাইজিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বনার্দ টোমিকপু সেট অহুমদা মায়থীবা পীখি। টোমিকনা মফম অমা কাখৎলগা ২০ শুবা রেঙ্কতা লৈখি।

ষ্টানিসলাষ্ট ৱারিঙ্কানা মহাক্কী দোহা টুর্নামেন্টকী মায় পাকখিবা অদুনা মরিশুবা রেঙ্কতা লেংদনা লৈখিবগা লোয়ননা টোপ টেন ফাওবদা অহোংবা অমত্তা য়াওদনা লৈখ্রে।

টোপ রেঙ্ক নোভাক জোকোভিচ মমিৎ শোকপনা মরম ওইদুনা হৌখিবা টুর্নামেন্ট খরদা শান্নররোই হায়না ৱিথদ্রো তৌখ্রবসু অদুমক নুপাগী টোপ স্পোটতা লৈবা ঙমখ্রে। রোজর ফেদররনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

নুপীগী টোপ ২০ ফাওবদা লৈরিবা টেনিস প্লেয়রশিং অদুদি সেরেনা ৱিল্লিয়মস (য়ু এস এ, পোইন্ট ৯,২৪৫), এঞ্জেলিক কার্বর (জর্মন, পোইন্ট ৫,৭০০), অগনিয়স্কা রধৱানস্কা (পোলেন্দ, পোইন্ট ৫,৪৫০), গার্বিন মুগুরুজা (স্পেন, পোইন্ট ৪,৮৩১), সিমোনা হালেপ (রোমানিয়া, পোইন্ট ৪,৭৪৫), কারলা সুরেজ নভারো (স্পেন, পোইন্ট ৪,০১৫), মারিয়া সরাপোভা (রুসিয়া, পোইন্ট ৩,৫৬২), বেলিন্দা বেন্সিক (স্বিটজরলেন্দ, পোইন্ট ৩,৫০৫), পেত্রা কবিটোবা (চেক, পোইন্ট ৩,৪৮৩), রোবার্টা ভিন্সি (ইটালি, পোইন্ট ৩,৪৫৫), ফ্লাবিয়া পেনেটা (ইটালি, পোইন্ট ৩,৪২২), ভেনস ৱিল্লিয়মস (য়ু এস এ, পোইন্ট ৩,০৮২), লুসি সফারোবা (চেক, পোইন্ট ২,৮২৩), কিমিয়া বাছিনস্কি (স্বিটজরলেন্দ, পোইন্ট ২,৭১৬), ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কা (বেলারুস, পোইন্ট ২,৬৬০), অনা ইভানোভিক (সার্বিয়া, পোইন্ট ২,৬৪০), সারা ইরানি (ইটালি, পোইন্ট ২,৫৯৫), সবেটলানা কুজনেটসোভা (রুসিয়া, পোইন্ট ২,৫৩৫), ইলিনা সবিটোলিনা (উক্রেন, পোইন্ট ২,৫৩০) অমদি কারোলিনা প্লিসকোভা (চেক, পোইন্ট ২,৫২৫) নি।

নুপাগী টোপ ২০ দা লৈরিবা প্লেয়রশিংনা নোভাক জোকোভিচ (সার্বিয়া, পোইন্ট ১৬,৫৮০), এন্দি মরে (ইংলেন্দ, পোইন্ট ৮,৭৬৫), রোজর ফেদরর (স্বিটজরলেন্দ, পোইন্ট ৮,২৯৫), ষ্টান ৱারিঙ্কা (স্বিটজরলেন্দ, পোইন্ট ৬,৩২৫), রাফাইল নাদল (স্পেন, পোইন্ট ৪,৮১০), কৈনিসিকোরি (জপান, পোইন্ট ৪,০৩০), টোমাস বার্দিচ (চেক, পোইন্ট ৩,৯০০), দেবিদ ফেরর (স্পেন, পোইন্ট ৩,৫০৫), জো ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গা (ফ্রান্স, পোইন্ট ২,৯৫০), রিচার্দ গাসকেট (ফ্রেন্স, পোইন্ট ২,৭১৫), জোন ইস্নর (য়ু এস এ, পোইন্ট ২,৫৮৫), মারিন সিলিক (ক্রোএসিয়া, পোইন্ট ২,৫৫৫), মিলোস রাওনিক (কানাদা, পোইন্ট ২,৪৫০), দোমিনিক থিয়েম (ওষ্ট্রিয়া, পোইন্ট ২,৪৩০), কেবিন এন্দরসন (আর এস এ, পোইন্ট ২,০৬৫), দেবিদ গোফিন (বেলজিয়ম, পোইন্ট ১,৯৭০), গ্যেল মোনফিলস (ফ্রান্স, পোইন্ট ১,৯৫০), রোবার্টো বোটিষ্টা (স্পেন, পোইন্ট ১,৯৩৫), গিলেস সিমোন (ফ্রান্স, পোইন্ট ১,৮৯৫) অমসুং বর্নাদ টোমিক (ওষ্ট্রেলিয়া, পোইন্ট ১,৮৮৫) নি।